"মীগী মরক্তা হিংচা-য়াইতম্বা য়াওবগুম
মীনুংশি খঙবসু ময়াওরমই।" - হিজম গুণ (ঐদি চীংদা শাৎপীনি)

# শৈরেং

## লোৎপা য়াদ্রবা লোন

—এম নিলকুমারি

লেংলি পাল্লিবা অচৎ-চত্ত জীবশিংগীনি
লোনদি অমখক্তনি
লোননা লোন ফাওনহল্লি,
পূক্লিংগী ৱাখলগী অরোৎ-অথুপ কয়া!
লোননি লোন তাইবঙ জীবগী
থৱায় পানবগী।
কৈশালগী মরক্তা নোংশা মচা অমা
চেন চোংদুনা শান্নজরমই।
নোংমদি খঙহৌদনা চাওবা শারেপ ফারকপদা
নোংশা মচাদু নোংশাগী খোঞ্জেলদা
হৱাও তয়াম্না খোংলকখি।
লোৎপা য়াদ্রবা লোননি লোন
খূৎশম্নবা মাল্লবা অৱাংবা চীংশাং পরেং
অশংবা মনানা লৈতেংলিবসি মখোয়গী মরোল
গুলাপকী-থম্বালগী অঙাংবা মচু
মখোয়গী মরোল শক্তাকচৈ
তমেংলোং চীংশাংগী চীংমায়গী মমুন ফারবা
সনা মচুগী কোমলা
মখোয়গী মরোল ওইরোইদ্রনে
ঋতু রাজ বসন্তগী চীংমাইগী অঙৌবা
মঙাল লৈনা শাৎলিবা হৈখা মপানগী
মশক তাকপনি পূন্নমক লোননি লোন।
লোনগী পাউখুমদি মিৎয়েংগী পাউখুমনি
মিৎনা করি হংখি?
মিৎনা করি পাউখুম পীখি।
লমলক্কী খুনু ক্রু-ক্রু-ক্রু
লমখুনুগী শৈশক মরোলনি
লমলক্কী অপিকপা উচেক মচাশিংগী
নুংশিনা খোম্থাং য়ৈনা শৈশক্লি
করিনি হায়না খনসিগে!
থাংজিং-মার্জিং
কৌব্রু কৌনু কুমচৎ অমগী কুমদমনি অরোৎপনি
তরামরিনি পানবা ককচেং চৎপা উরবা
লৈচিল নোংফাই থাংদ্রবা থাজগী মঙালদা
থাজনা ইকায়না নোম্থদুনা ঈংনা চিক্লা
মালেম থুংনা কোয়রি
চীংবুরোই তম্বুরোই হায়ররোই
য়েলহৌমীনি হায়রসি।
অশংবসু অঙাংবসু পূন্নমক মান্ননা তেল্লি।
নুংশিবা কৌবা লোন অমখক্তংনা
অচুম্বনা ফজবনি-ফজবনা নুংশিবনি
নুংশিবা মাঙখ্রবা-লোইশিল্লোনগী
মপাউ মাঙখ্রগনি।
থৱায় পানবা জীবশিং
নুংশিবগী ঈপাক্তা ইরোইহরি।

## ঐগী করি ইরালনো

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঐনা হায়রিবদো
মহাক তানীংদে,
মৈখু কারবা
মৈরি থোক্না চাক্লগদবা
ৱামৈগুম ওন্নগা
পুরক্লিবা ৱাহং কয়াদো
ঐনা খঙখিদে,
উখিদে।
খংলম্বা তারবদি মহাক্না
ঐহাক্না হায়বা অদুমদি
তাবিরম্বা য়াবনি।
মসিমতংদি হায়নীংই
মহাক্কী মফমদা
ঐগী করি ইরালনো।

## কৌজরি নঙবু হিহোনবা

—অঙোম ইবোমচা

কৌজরি নঙবু হিহোনবা
পাল্লা তাইবঙ ঈপাক্তা
পুন্সি নৌরেল খূৎনা পায়
ঙান্না মল্লবা তাইবঙগী।
লানঙমদরা তাইবঙ ঈপাক
ককঙাওনরা হিরম উদা
হিরানবিয়ু হিদাংফম য়ৌনা
ঙান্না মল্লবা তাইবঙগী।
তাইবঙগী কল্লবা ময়াগী লাং
থদৎপীয়ু লাংগী লংলা
হিরানবীয়ু হিদাংফম য়ৌনা
ঙান্না মল্লবা তাইবঙগী।
শোঞ্জরি নগুন্তবু তাইবঙনা
ঙাইজরি থৌজালদবু ঈখৌ লাংনা
হিরানবীয়ু হিদাংফম য়ৌনা
ঙান্না মল্লবা তাইবঙগী।

## মহৌশাগী খূৎশেম

—কে মেমা

হৌনশানি হৌনশা, কল্লকপা-মীহৌবা
নুংঙাইবা-অৱাবা, ফজবা অথীবা
মপু মাগী খূৎশেমনা;
নোংদোল থক্তা মনীং তম্না পাইরিবা চেক্লা
থম্মোয় কনবা মাগী খূৎতো নাওরি পায়রি
মমিৎ তাংলবা চেক্লাদো লৈমায়দা পোপ
তারল্লগা মায়কৈ খঙদনা পাইখি,
লন্দ্বীগী নাকল অনীমক্তা
উফুলতনা য়োল্লবা হৌরিবা উপালশিংদো,
মালংবা মানা হুম্বদসু শেংবা ঙমখিদে।
মতমগী নোংজু লাক্লবা মতমদা লোইনা চামথোকখি।
উরুরগা খল্লুরিবা মহাক্না কয়াদা নুংঙাইজখিবা।
মসিবু মহৌশাগী খূৎশেম নত্তবরনে?
লৌবুক্তা ফৌনানা ৱাই-ৱাই হাইনা হুম্না,
মালংবনা লীরি-লীরি হুল্লকপা পূক্লিং মাসু নুংওল্লি
লৌরি মরক্তুদা চেন চোংদুনা শান্নীংখি
লৌরি চৎপী ফিঙাং ইনবী তাদে কৈনো ইতৈমা,
করি অর্থনো তত্তনা হংলি ঐগী থম্মোয়না?
পাৎতা লৌবুক্তা গীর্জাগী মওং মান্না
শাৎলিবী কবোকং মপাল
লৈরাং ওইনা চন্নদুনা ঈশ্বরগী মফমদা কৎত্রিবা
ফজরবা লৈরাং নহাক্তি পাৎকীদা লৈতেং ওইনবরা
বসন্ত ঋতু লাক্লে, হৈখা মপাল, হৱাই থরাক মপাল
হৈনৌ মপাল, হঙ্গাম মপাল, হৱাইমুবী মপাল
কুরাক্না হঙ্গৎ হন্দা পাইদুনা শান্নরি
খোইমুনা ঙংনা ঙংনা পাইদুনা খোইহি থিরি
অৱাংবা পামেলদা শাৎচবী লৈনম চাওবী লৈরাং-ও
লৈরাং নঙবু হেক্লগা নিংঙোল নাপদা থেৎচনীংই
কাদুনা হেক্তা খঞ্জরুই অরেম্বা আশা তাখি
লৈরাং পামেলদা য়েৎলিবা হু-পুবা লিন উবদা
লৈরাং কেল্লকপা ঙাইবদা লৈমন চনখিবনা
নীংজবা আশা কায়খিদো
খাঙবা কনবা লিংজেল খাবা উৎপা ঙমখিদে
নীংহন্নদুনা ইদোম চাক্লা ফমদুনা
লৈরাং নঙবু চাক্লা তূমিন য়েংজবা নত্তনা
মসিবু মহৌশাগী খূৎশেম নত্তবরনে?
চয়াম পোকপী মৈখেৎ উপু দাগফম থনল্লগা
খেৎ খেৎ খেত্তুনা লোইনা মাঙখি
মমাবু মতোম হুন্দোক্লল্লগা
মসিনা মীনা শেম্বা খূৎশেমলা?

## অমম-অঙান

—অকোইজম ইবোহল

নঙনা নোক্লি খেক খেক
খোঞ্জেলনা লৈকায় পল্লাল্লদুনা
ঐনা কপ্লি হিক্লা হিক্লা
ইদোম তূমিন কনা খঙদা
নঙগী মায়থোঙনা থাজ থম্বালনি
লমতাগী থানিলমকপু ঙমজবা
ঐগী মায়থোঙনা থামম্বা অহিংনি
শুক শুনা মল্লবা থাসিগুম
নহাক্কী পুন্সিদা লাক্লে য়েন্নীংথা
তরাম্না ওকচরি নথম্মোয় পেন্না
ঐহাক্কী পুন্সিদা য়ৌরক্লে নাকেম্থা
পামদ পামদ লেনমিন্নবা তারি
নঙদি তাউরি নুংঙাইবা ঈপাক্তা
য়োৎপীগা উবাক্না পূন্না তাউমিন্নবগুম
ঐদি লুপ্লি অৱাবগী ঈরোলনুংদা
খোঙফম অমা শোয়খিবা মরম্না
নঙনা বজাই বেঙ্গুন খোংলদুনা
শারি পুঙলোন্দা তান্দব জগোয়
ঐনা নাপ্পদা তাবগুম তৌরি
অরোইবা খোঙচৎকী মাঙ্গঙ মখোল
নহাক্কী নতৌদি অতোঙবদা লৈথোনবনি
নুংঙাইবদা নুংঙাইবা হেন্না হাপচিনবা
ঐহাক্কী ইতৌনা অকুৎপদা লৈতৌবা
অৱাবদা অৱাবা অসুম হাপচিল্লকপা
নঙ ঐ লম্বী তিন্নৌ তল্লমদ্রমাল্লে
হন্দক মপোকসিমগীদি কায়নরসিকো
মথং মপোক হায়বদো লৈরল্লবদি
অমুক্তংদি থেংনমিন্নখিসিকো নঙ ঐ।

## পৈশা পৈশা

—প্রেম কৈশাম

ফনয়াম ঙাওই হায়রসু
ঙাওই হায়রিবা মহাক্তো
পৈশাবু হেক উরবা
ঙাওই হায়বগা কাউথোকই
কনাসু ঙাওদে পৈশাদা
শেগাইবা ফিমলবু শেৎলসু
চাকচা য়ুথকপু চুমদ্রসু
পৈশাগী মহাউদি কাউদেদো
ওন্থোকপৈ নগুণনি চেল্লিবা
হে পৈশা, নহাক্কী নতিক নয়াইসে
য়েংহৈদ্রবা তাহৈদ্রবা কয়ানি
থোক্লিবা তারিবা খিবিকসু
হিংসা হায়বদুমা পামজদ্রবা
জাতিগী মপানি শোন্নরিবা
বাপু নহাক্কী মিংদনিকো
মীবু হাৎপফাও ঙমহল্লিবা
শোয়দ্রদো নহাকপু য়াওহল্লিবা
মোৎলবা পৈশাগী ফম্পাকসিদা।

## শমজাবী ময়া কাতি পিকত্রু

—সৌবাম বীরধজা

কাতি মচাগী ময়া পাল্লি
বোবোক্লা পায়রুনু হায়খি
তিন্দুনা চিকখ্রদি শম কেল্লনি
কোক-তাংলনি পায়রুনু তিনদু।
ৱারী মখা হংখি মমাদা'মুক
মমানা অমুক লিখি
নপাগী মকোক তাংলিদু উরবরা!
শমজাবীনা চাখিবৈনি হায়বনি
অদুনা শমজাবী পায়রুনুকো।
তিনদু পায়দুনা শান্নখিদে
শমদা চিকখ্রদি কোক তাংলনি খন্না,
শমজাবীনা শম থবৎ থবৎ চিকথৎলি
শমজাবী ময়া কাতি পিকত্রুনা
চাওরক্লগা খঙলকখি
তিন্দু শান্নদনবা ওইরল্লে।
মদুই তিন্দু কৈদা অমনি
চৈনা থেংলগসু পাইখিদে
অদুম মরৈ নৈশিন্দুনা
অনম য়াম্না কল্লি খনখি।
কোক্তা চিকখ্রদি তাংলনি খল্লুই
চৎখিনবা, পাইখিনবা হোৎনৈ
চত্তে পাইদে অনম কল্লি,
শেন্দল লৌথোক্লগা কন্থৎলি
শমজাবী শিরে, লোংনা তারে
শমজাবী পুন্সি লোইরে
অনম কনখ্রবা খূৎনা কনবদা
শমজাবী ময়া কাতি পিকত্রু
অনম কনবৈ শিরেদো।

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুরী সিনেমানা চহী য়াঙ্খে শুরকপা -২

## (মণিপুরি সিনেমাদা মণিপুরী ড্রামা অমদি শুম্মাং লীলাগী মফম)


kairang Babu (Lamja Parsuram)


Thambalngoubi (Mainu Pemcha)

লমদমসিগী ফম্বাক লীলা, ড্রামাদা শরুক য়াবিখিবা, শক্তম লাংবীখিবা মশক নাইখিবা মীওই কয়া লৈবীরম্মী। হায়রিবা ফম্বাক লীলা, ড্রামা অসি মরুওইনা ইম্ফালগী ময়োনদা লৈরিবা রুপমহল থিয়েটর,মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, সোসাইটি থিয়েটর অমদি এরয়ান থিয়েটর হায়রিবা থিয়েটরগী কাঙলুপ অসিগী মীওইশিংনা মরুওইবনি। ঙল্লিঙৈদা ফম্বাক লীলাদা য়াওবীখিবা শক্তম লাংখিবা অহল-লমনশিং নহারোলশিং, জগোয় ঈশৈদা মশক নাইখিবা অমদি শুম্মাং লীলারোইশিং ফাওবনা মণিপুরী সিনেমাগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বসি ঙসি মণিপুরী সিনেমানা চহী য়াঙ্খে শুরকপা অসিদা অমুক হন্না নীংশিংজনিংঙি।

মতম অমা লীলা, ড্রামা য়াওবা, জগোয় ঈশৈ তৌবা মীওইশিংবু, মীয়াম্না করম্বা মিৎয়েংদা য়েংলম্বগে, করম্বা থাক্তা লৈহল্লম্বগে? ড্রামা য়াওবা, শুম্মাং লীলা,জগোয় ঈশৈনা শিনফম তৌজবশিংদা করম্বা ৱাহৈনা মখোয়বু মীঙৈবীরম্বগে ?

মীয়াম্না অনেম্বা থাক অমদা খন্দুনা থন্বীরগসু,ফম্বাক লীলা, শুম্মাং লীলা অমদি ঈশৈ জগোয় হায়রিবা তোঙান তোঙানবা আর্টফোমশিংবু শিনফম অমা ওইনা শরুক য়াজরিবা মীওইশিংনা (আর্টিষ্টশিং) মতম কুইনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখি। মীয়াম্নদি কূম্মৈ অমা ওইনা পোথাফম, ঙাইহাক নুংঙাইনবগী, মীয়াম পেন্নবা ওইনা লৌরগা লৈরকখি। চাকচা হৈজানবগী চহীগী ওইনা পাংথোকপা হরাউ-কূম্মৈশিং- চৈরাউবা, য়াউশং,হরিউথান কাং চিংবা, দুর্গা পুজা,কৃষ্ণ জন্ম, থৌরাণী জণ্ম অমদি অতে ফেষ্টিভেলশিংগী নুমিৎতা লীলা,ড্রামা উৎপা, শান্নবা, রাস লীলা, গৌড়লীলা, পাসখেলা,বাসক অসিনচিংবশিং পাংথোকপখক্লা আর্টফোম খরসিগী উৎফম, মীয়ামগী থৌগল তৌফম্নি খল্লগা লাকখি। আর্টফোমশিং অসিগী ইকায়খুম্নফম অতে মফমদা থোইনা লৈরক্তে, মীয়ামগী পোথাফম হায়বদু ময়েক শেংনা ওইরগা লাকখিবনি। অচৌ-অশাং, য়াইতোং-ফমদোংবা, লাইরিক হৈবশিংনা আর্ট ফোর্মশিং অমদি শরুক য়াজরিবশিংবু হন্থবা থাক অমদা ঙসিফাওবা উরগা লৈরি।

অসুম্না চহী কয়া অসি লৈরক্লি। জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামা য়াওবশিং অসিনা মীয়াম্না ঙাঙনবা অথীবা ৱাহৈ কয়া অদু খাঙদুনা লাকখি। অনৌবা আর্টফোম অমা লমদমসিদা থুংলবা মতমদসু হান্নদগী জগোয় ঈশৈ লীলা ড্রামা তৌবশিংগী শরুক অদুম ওইরকখি। সিনেমা হায়রিবসি মণিপুরদা ঐখোয়গী মীয়াম্না লান মতুংদা চঙশিল্লক্তুনা নীংথিজনা উবা ফংলে। মণিপুরদা সিনেমা হোল লীংখৎলে। হোল লৈরবনিনা সিনেমা চাং নাইনা নুংঙাইনা য়েংনরে। মপান লমগী ইংলিস অমদি হিন্দি সিনেমা য়েংবা ফংলবনিনা সিনেমাগী মহাউ খঙলে। মালেমগী অনীশুবা লান মনুংদা লানগী নম্নবা পুরকপা কেমেরানা মাইনু পেমচা নমখিবগী ৱারী অসি মীপূম খূদিংনা খঙনদে। য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওই। মণিপুরগী ফম্বাক কূম্মৈ ড্রামানা কন্না চৎনরকপা মতমদা রুপমহল অমদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা মরুওইবা শক্তম লাংখিবী থম্বালঙৌবী মীয়াম্না খঙদবা লৈখিদে। মহাক্না মাইনু পেমচা ফিল্ম অসি নম্বদা পেমচাগী শক্তম লাংখি। ফিল্ম অসি মণিপুরগী মনুং অমদি মপানগী মীওইশিংনা ৱারী খঙনা য়েংনবগীদমক মাইনুপেমচা ফিল্ম অসি হিন্দি লোন্দা নমখি। বোরা চাউবদি মপাল লমগী বংলা নুপা অমনা কুমখিবনি। হিন্দি ঙাঙবা থোক্লবগীদমক থম্বালঙৌবী অমদি মরুওইবা মীওইশিং হিন্দি তম্বা মপান্দা চৎখি। য়াম্না ৱানা হোৎনরগা মণিপুরগী মফম খরদা ফিল্ম অসি নমখি। চাউরাক্লা রিল মাপলমুক নম্বা লোইখিবগী খোঙ্গুল লীবদা ফংখি। ইম্ফালগী হোল খরদা নম্বা লোইরবা মতুংদা রিল খরা য়েংবা ফংহৌখি। নমখ্রিবা অসি ৩৫ এম এম, ব্লেক এন্দ ৱাইট সেলুলোইদ ফিল্মনি। অচৌবা থৌরাং অমদা নমখিবনি। অনীশুবা লাঞ্জাও লোইখিবা হেক মতুংসি মণিপুরগী ফিভম য়াম্না ফত্তে। মীয়াম পূন্নমক অৱাবা মায়োক্লবা, লৈতা লাইরগী মৈখুনা মফম খুদিং য়ৌরিবা মতম্নি অদুবু আর্ট হায়বসিদদি লৈতা লাইরা থিনদে, পামজবশিং লৈবনা মীওই খরনা হেক্তা ফিল্ম হায়বসি করিনো হায়বা ইখঙ খঙদনা মাঙ থাদুনা লান মতুংদা মাইনুপেমচা নমদুনা অরোয়বা রিল খরদি মীয়াম্না উবা ফংনখ্রে।

মাইনু পেমচা ফিল্ম পুথোকখিবদা,মপুং ফাবা ফিল্ম অমা ওইখিদ্রগসু পুথোক্লবা হোৎনখিবা, ফিল্ম ওইনা রিল খরা ফাওবা পুথোকখিবা অসি ঐখোয়না য়াংনা লৌবা চুমদে। ইমাইবেম্মা লাইময়ুম থম্বালঙৌবী উন্নদুনা ৱারী শাহৌবা ফংখি, ৱারী অদুদগী নৈননীংঙাই ফিদম্নিংঙাই কয়া ফংবা ঙম্মী। মতম অদু মণিপুরদা ফিল্ম নল্লগা পুথোকপদি লাইরদনা ফিল্মগী ৱাখল মমি শাল্লি। ইবোহলমচা কৌবা লান মনুংদা কেমেরা অদুবু শেন্নবিরবা অহল ইবুংঙো অসিসু উন্নরগা ৱারী শাহৌখি। নুংশিনীংঙাই ৱারী অহল ইবুংঙোগী মফমদগী তাজহৌখি। মহাক অমদি রুপমহল থিয়েটরগী ৱাখল মান্নবা মীওই খরগা পূল্লগা মাইনু পেমচা অসি ফিল্ম নম্নবা থৌরাং তৌখিবদা রুপমহল থিয়েটরগী অচৌবা কৎথোকপা য়াওরি।

মাইনু পেমচা ড্রামাসি রুপমহল থিয়েটরনা ফম্বাক লীলা ওইনা মশীং খঙদনা মাই পাক্লা ঙল্লিঙৈদা শান্নখি। ঙসি ফাওবা রুপমহলগী মাইনু পেমচা ড্রামা শীংথানরি। ড্রামা অসি অয়েকপম শ্যামসুন্দরনা ইবনি। রুপমহলনা ফম্বাক লীলা শান্নবদা শক্লাইবা ওঝাশিং মৈত্রম বীর, লাইশ্রম নেত্রজিৎ অসি মরুওইবা মীশক্লি। ঙল্লিঙৈগী মতমগী ড্রামাশিংদসু লাইময়ুম থম্বালঅঙৌবীনা পেমচাগী শক্তম শাদুনা লাকখি। মতম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র মশামক ফাওবা মাইনু পেমচা ফম্বাক লীলা অসি মীয়েং তাবীখি। অহানবা উৎপা ড্রামাগী তাঙ্কক অমা-থম্বৌস্নাগা পেমচাগা ৱা ঙাঙনরিঙৈদা সঙ্গাইনা লোন্না উহৌখিবগী প্লোট অসি বোধচন্দ্র মহারাজনা শেমদোক শেমজিন তৌহন্দুনা হাপচিনখি। বোড়া চাউবগী লমচৎতা হেন্না ফজবা হেনগৎখি। হান্নগী ফম্বাক লীলাদগী শেমদোকলকপা অসিনা হেন্না ফজহনখি মমিং চৎখি হায়নৈ। ফম্বাক লীলাদা কুমখিবা মীওইশিংদি-লাইশ্রম নেত্রজিৎ (থম্বৌসনা), হৱাইবম নীল্লমনি (তোনস্না), খ্বাইরাকপম রনজিৎ(ইবোহল),হঞ্জবা(খ্বাইরাকপম তোমচা),বোড় াচাউবা(সৌগাইজম নবকুমার)সঙ্গাই (মৈত্রম বীর) মোইরাংথৌ (জিবন) পেমচা (থম্বালঙৌবী) থম্বাল(কন্য) লৈনম্বী (বিনোদিনী) অমদি মঙ্গী (রাধে) অসিনি। ফম্বাক লীলাদা চেনখিবা লৈনম অদু ফিল্মদা অমুক লৈহন্নীংবদগী মাইনু পেমচাবু ফিল্ম নমখি। শেন-থুমগী ফিভম ফত্তবনা সিন শুনা নম্বা ঙমদনা মরক্তা মপুং ফাদনা লোইশিনখি। ফিল্ম অসি হৌজিকসু য়েংবা য়াবা রিল খরদি লৈরি । মতাং অসিদা নৈনজনিংলিবদি লাইওইখ্রবা অহল লমনশিং অদুনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ খরা নেমথখ্রবসু অৱা অনাগী মৈখু মরক অদুদা থৌনা ফনা মণিপুর ফিল্ম অমা মণিপুরগী মপান য়াওনা য়েংহন্নবা পান্দমদা হিন্দি লোন্দা নমলমখিবা অসি অচৌবা শীংনবা অমনি।

ঙল্লিঙৈগী মতমদা শান্নখিবা ড্রামা অয়াম্বা অরীবা ৱারী, নিংথৌরোল অমদি মপান লমগী ৱারীদা নম্না শান্নরম্মী। অনীশুবা তাঙ্কক্তগী মোর্ডর্ন ড্রামাগী মওংদা চঙশিন্দুনা নাহারোলশিংনা কুমবা অমদি ইবা লীলাশিং শান্নরকই। মসিদা অইবা ইচং থৌবা অমা ওইনা এরিয়ানগী ওইনা ওজা অরাম্বম সমরেন্দ্র অমনি। এরিয়ান থিয়েটরনা ঙল্লিঙৈদা মমিং লৈখিবা অহল লমন, এক্টর কয়ানা ড্রামা মখল কয়া পুথোকখি। মণিপুরী ফিল্মগী অহানবনি হায়না নুমিৎ লেপ্লিবা 'মতমগী মণিপুর' অসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী 'তীর্থ যত্রা' হায়বা এরিয়ান থিয়েটরনা ১৯৭০দা শান্নখিবা ড্রামা অদুদগী ফিল্মগীদমক ওন্থোকখিবনি। 'তীর্থ যত্রা'দগী ফিল্মগীদমক স্ক্রিপ্লে তৌবীখিবা অমদি 'মতমগী মণিপুর' হায়না মমিং ওল্লকখিবসি ওঝা অরাম্বম লোকেন্দ্রনি। কয়ারক খন্নরবা মতুংদা ওইখি। ঐগ্য জি. রোবিন্দ্রো শর্ম্মা, শ্যাম শর্ম্মা, ময়েংবম অক্ষয়কুমার, আর কে নব, মহেন্দ্র নিংথৌজা, অরাম্বম সমরেন্দ্রা, অরাম্বম লোকেন হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মরুওইবা শক্তম কয়া লাংদুনা অনৌবা লীলা মখল কয়া পুথোক্তুনা কন্না চঙশিনবা হৌরকখি। মতম অসিদা মণিপুরদা সিনেমাগী ইহৌ লাকপগা মপা চাশিনখিদুনা মতমগী মণিপুর হায়রিবা ফিল্ম অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা এরিয়ান থিয়েটরগী অচৌবা শরুক য়াওখি হায়বসি হায়দবা য়াদ্রি। মতৌ অসুম্না এম ডি ইয়ু, সোসাইটি থিয়েটরনসু মখোয় মখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা কুমদুনা মণিপুরী সিনেমা মশীং য়ামখৎলকখি। ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা, লমজা পরশুরাম,ঙকইকো নঙসে, শাফবি, খুৎথাং লমজেল,ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু ,য়াইরিপোক থম্বালনু অসিনচিংবা ফিল্মশিং অসি মণিপুরগী ফম্বাক লীলা ,ড্রামাগী মীওইশিংনা অয়াম্বা শক্তম লাংদুনা কুমখিবা ঙাক্তনি। শল্লপ্পা হায়জরবদা- মণিপুরী সিনেমা হেক পুথোকপা হৌরকপদগীনা ঙসি ফাওবা পুথোক্লিবা ফিল্মশিংদা শক্তম লাংলিবা খুদিংমক ড্রামা অমদি শুম্মাং লীলা, জগোই ঈশৈ তৌজবা মীওইশিংনা কুমদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবনি।

শুম্মাং লীলারোইশিংগী মনুংদা- নীলবীর (গোরা অমদি প্রোনামসিং শাবা), ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাউবা,য়ুগোলচন্দ্র অঙনবা মতমগী ফিল্মশিংদা কুমখি। শুম্মাং লীলাদা লীলারোই অমুক্তদা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না চোমলপ য়াওখিবদি লমজা পরশুরাম ফিল্ম অসিদনি। ফিল্ম অসিদা য়াওখিবা লীলারোইশিংদি- য়ুগেশ্বর (চৈতৈ শাবা),কাইরং বাবু,লোইতাং মণি,নোংপোক সেকমাই ইবোহল, কিয়ামগৈ নোবিন, য়ুরেম্বমদগী য়াইমা অসিনচিংবনি। লীলারোইশিং পঞ্জরিবা খরসিনা লোইবা নত্তে। মণিপুরী ফিল্ম অতৈদসু শুম্মাং লীলাগী লীলারোই অমা নৎত্রগা অমদি অদুম য়াওদুনা লাকখি।

মতৌ অসুম্না অঙনবা মতমদা পুথোকখিবা ফিল্মশিংদা লমদমসিগী ফম্বাক লীলা অমদি শুম্মাং লীলাগী লীলারোইশিংনা মণিপুরী সিনেমাদা মখোয় মখোয়না হৈজবা আর্ট এক্তিং তৌদুনা শরুক য়ারকখি। মনতীক্লবা তৌদনা অঙম্বা কৎথোকপীদুনা লাকখি। ঙসি চহী য়াঙ্খে শুরকপগী খোঙচৎ অসিদা আর্টফোমশিং অসিগী মীওইশিং মখোয়না কৎথোকপীরকখিবা কয়া অদুনা ঙসিফাওবা মণিপুরী সিনেমা হিংদুনা লাকখিবনি। মখোয়বসু ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই । মখোয়বুসু নীংশিংজরি।

সিনেমা, ফিল্ম হায়বসি মীওই মীকোক কয়ানা পুল্লগা শেম্বা পোৎথোক্লি। ফিল্মগী মীশক হায়বসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবা অদুখক্তদা য়েংবা য়াদে। ফিল্ম এক্তর অমদি একত্রেস হায়বসি অপূনবা য়াওমিন্নরিবশিং করেক্টর পূন্নমক্লা ওইগনি। মখোয়খক্তনসু ফিল্মগী আর্টিষ্টনি হায়না লোইশিনবা য়াদ্রি টেক্নিসিয়ান্স অমদি নন-টেক্নিসিয়ান্স ময়াম অমা বেক ষ্টেজদা লৈরি। মীয়াম্না শীংথানবিখিদ্রবা লীলা ড্রামা ঈশৈ জগোয় তৌজবশিং অদুনা মণিপুরী সিনেমা হৌদোকপীরম্মী। মীয়ামগী ঙম্মোকশিং অদু লৈরমদ্রগদি মণিপুরী সিনেমাগী খোঙ্গুল লমদমসিদা ঙন্না তারল্লোই। ময়াম অসিনা ফিল্ম হায়বসি শেমগৎমিন্নরকপনি। মশক উবা ঙাক্লা নত্তে শকউদবা কয়া অমসু লৈরি । ঙসি মণিপুরী সিনেমানা চহী য়াঙ্খে শুবগী চৎথরিবা লোইশিল্লকপগী থৌরম অসিদা পূন্নমকপু ইকায় খূম্নবা উৎচরি।

(মথং মথং মণিপুরী ফিল্মগী মরমদা ৱারেং অসিদা মণিপুরী সিনেমাবু নীংশিংবা থৌরমগা মরী লৈননা থাবুম অসিমা ইজগনি)

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১৩৬

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

ঐনা তারিবা পাউ অসি তাবদা কনানা নুংঙাইগনি। হুইগী মমৈদগী হেন্না শাথি হায়বদুনি। রুপ্পন বাবু অদু মনা থাঙ্গৎলদুনা তারকই। তপ্না চেপথরক্তুনসু য়েংই। ৱেদ্যজি অদু ফমুং মথক্তা খোঙ্গাই চন্দুনা ফমদুনা লৈরম্মী অদুগা বদ্রি শাফবনা মাঙ্গোল অদুদা ফমদুনা লৈরম্মী। মখোয় অনীমক খৎন-চৈনবগী ৱাফম হৌদোক্লদ্রবসু খৎনবা হায়বদুদি ওইরে। ওইরিবা ফীভম অদু য়ূমগী ৱাফম ওইবনা রুপ্পন বাবুনা মপা ইবুংঙো ৱেদ্যজিগী ৱা তারমদ্রবদি মখোয় খনখিবসু য়াই মদুদি মহাক্কী ময়াম্বা অমদি মপাবুংনা কোওপরেটিভ য়ুনিয়নদা অমুক হন্না নৌহৌননা হুরান্নবগী মথৌ তাই হায়বগী মতাগুম মীয়ামদা এদভাইস পীরিবনি হায়না।

অমবু ওইরো অমবু ওইরো, রুপ্পন বাবুনা ৱাফম অদু তারমখি অমদি মদুগী মতুংদা ৱেদ্যজিগী মচিন্দগী নহাক য়াম্না পঙবা মীনি হায়বা ৱাফমসু হায়বা তাখি। ৱাফম অদুগী মতাংদা ঐহাক মঙ ফাওবা মঙলুখিদে।

বদ্রি শাফবনা করিসু চিংনবা লৈতনা হাকাম চল্লদুনা হায়রকই, "য়ূমদা খক চিন থীনরগা করি কান্নগদৌরিবনো? মসি অফবা ৱাফম নত্তে।"

ৱাফম অদুনা ৱেদ্যজিদা তশেংনা তোঙানবা ৱাখল অমা লাকখিবা মাল্লি। মহাক্কী ৱাঙাং শঙাংদা চাওনা অহোংবা লাকই। য়াম্না চম্বা মওংদা মহাক্না হায়রকই, "অদুগা নঙনা তৌখিবা থবক অদুদি অফবা থবকনি হায়গদৌরিব্রা? নঙনা মদুদগী থোক্লক্কদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা খঙবা ঙল্লব্রা? নঙগী থৌওং অদুনা ঐগী থম্মোয়দা কয়াম য়াম্না চাওনা অৱাবা পী হায়বসি নঙ খঙব্রা?"

বদ্রি শাফবনা ঙসি অয়ূক গঞ্জা য়াওবা শঙ্গোম অদু থক্তবা মাল্লি। গাঞ্জা য়াওবা শঙ্গোম থক্তবা মীওইশিংনা করিগুম্বা গঞ্জা য়াওবা শঙ্গোম অদু থক্লবদি হাকাম চল্লকই। অদুগা গঞ্জা য়াওবা শঙ্গোম থকপা মীওইশিংনা মদু থক্ত্রবদি হাকাম চল্লকই। মরম অদুনা মহাক্কী মায়থোংদসু হাকাম চন্নিংবগী চাওনা মমি অমা তাই। মহাক্কী লেংবানদা তোংলিবা কাঙ অদু মখুৎ নাম্মনা তপ্না থারদুনা তান্থোকই। অদুবু কাঙ অদু পায়খিবগী মহুৎতা মফম অদুদা অদুমক শিখ্রে। হৌজিক ওইরিবা থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা মহাক্না ৱেদ্যজিগী ৱাফমশিং পাউখুম পীরদুনা হায়, "করিগী ৱাগদৌরিবনো? হায়বিয়ু, অদোম্না ৱাই হায়রিবদু কোকহন্নবা হোৎনগনি।"

ৱেদ্যজিনা খোঞ্জেল য়াম্না তপ্না হায়রকই, "নঙ ৱাখল য়াম্না তারে হৈ-শিংলে হায়রগা গয়াদিনগী মচানুপীগী লাংদা মতৌ করম্না থুরিবনো?"

বদ্রি শাফবা অদু ঙাইহাক তুমিন্না লৈররুবা মতুংদা হায়রকই, "অদোমগা ৱারি শান্নবা করিসু কান্নরোই।" ৱাফম অসি হায়রল্লগা বদ্রি শাফবা অদু ফিয়াংখোক্তা য়াল্লিবা কুর্টা অদু লেংবানদা য়ানশিল্লগা থোংগী মায়কৈ তম্না থোকখি। ৱেদ্যজিনা হায়রকই, "হৌজিক কদাইদা চেন্দুনা চৎলিবনো?"

"চেন্দুনা চৎলিববু কনানো? ফজনা ৱারি শারবদি মখা তানা ৱারি শান্নগদবা। য়ূমদা ফাওবা অসিগুম্বা ৱাহম্থোক য়াওদবা ৱারি শান্নরবদি করি কান্নগদৌরিবনো।"

ৱেদ্যজিনা খোঞ্জেলগী গিয়ার হোংলদুনা হায়রকই, "অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা নোংমা নৎত্রগদি নোংমা শোয়দনা ৱারি শান্নদবা য়ারোই।"

বদ্রি শাফবনা চৎলিবা খোঙথাং অদু ব্রেক ফারদুনা মফম অদুদগী হায়রকই, "হৌজিক অদোমগী চিন্দগী গ্যান-মেন তাদবা ৱাফম কয়া থোক্লি। মদু অফবা অমা নত্তে। ৱাফম অসিগী মতাংদা নোংমা অমা ৱারি শারসি।"

"করম্বা নুমীৎতনো? ঐগী মীংচৎ লৈখা তারবা মতমদা ৱারি শান্নগদৌরিব্রা?"

বদ্রি শাফবা অদু উপায় লৈতবদগী হন্দুনা লাক্লে। লেংবানদা কুর্টা অদু য়ান্না-য়ান্না মাঙ্গোলদা ফমথরদুনা হায়রকই, "মীংচৎ থীগনি হায়বনচিংবা ৱা ঙাঙগনু। মীংচৎ কদাইদা লৈবগে? মদুদি পন্দিট অজুধ্যাপ্রসাদকী মতমদা মীংচৎ মাঙখ্রবনি।"

ৱেদ্যজিনা হায়রকই, "নহাক হৌজিক য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা মওংদা ৱা ঙাঙলে।"

বদ্রি শাফবা হায়ফেৎ হৌগৎলক্তুনা মহাক্না ফাথরম্বা অদু মাঙখিদুনা খোঞ্জেল লাউনা হায়রকই, "লৈবাক মচা তাদনা ৱা ঙাঙলে হায়রবদি মখা তানা অদুমক ৱা ঙাঙহল্লো। নঙনা ঐবু বেলাগী লাংদা থুরে হায়বা নৎত্রা? নহাক ঐগী পাবুংনি, নঙোন্দা ঐহাক্না মতৌ করম্না গ্যান তাহনগদৌরিবনো খঙদ্রে! লাংদা থুবা হায়বসি গ্যান তাদবা মীওইশিংগী থবকনি। নহাক্কী শাগৈদা নঙবু হেক পোকপা অজুধ্যাপ্রসাদকুম্বগী মতমদা লাংদা থুরম্বা ওইগনি। মদুবু কৌই লাংদা থুবা হায়বদু! অচুম্বনি ঐনা হায়রিবসি!" ঙাইহাক লৈরগা মহাক্না য়াম্না থুনা হায়রকই, "ফরে ৱাফম অসি মখা তানা শান্নররোইসি।"

ৱেদ্যজিনা মহাক্কী খোঞ্জেল অদু খোঙজেল য়াংনা হায়রকই, "নঙগী শাগৈ! নঙগী নপা! নঙ অসিগুম্বা লোল অসি ঙাঙবা হৌরব্রা! শাগৈ অসি ঐখোয়গীনি! নহাক্কী নত্তে? হৌখ্রবা ইপা-ইপুশিং নঙগী নত্তে?"

লম্বীগী ক্রোসিংদা রেদ লাইট থাল্লকখিবগুম্না বদ্রি শাফবা অদু চপ লেপ্পি। অদুগা তপ্না হায়রকই, "মসি থোক্কনি ঐনা ঙসাইনা হায়দ্রা? অচুম্বা ৱা হায়রবদি শাওরল্লনিনে। ফরে তোক্লসি।"

অমুক্তদা গাড়িগী ক্লচ অমদি এক্সিলেটর নেৎশিন্দুনা গাড়ি থৌবগী মওংদা ৱেদ্যজিনা হায়রকই, "য়ারোই, বদ্রি তোকপা য়ারোই। ঙসিদি ৱাফম অসি লোইশিন্দবা য়ারোই। ঐখোয় ব্রাহ্মননি, মখোয়না ৱৈশ্যানি। অদুবু মসি শুপ্নগী জাৎ-বিজাৎ খক্কী ৱাসু নত্তে। প্রিন্সিপলগী ৱানি! অদুগুম্বা লমচৎ নাইদবি নুপী অদুবু ...। পিক্তু শাফবনা কোর্টতা করি ৱা হায়খিবনো নঙ খঙবা নৎত্রা?"

বদ্রি শাফবা অদু ফল্লম্বদগী হৌগৎলদুনা হায়রকই, "য়ারে, মতাং অসিদা ৱারি লোইশিল্লসি! অদুবু ঐ ৱা অমদি হায়রমগে, অদুগা ৱারি অসি মতাং অসিদা লোইশিল্লসি। ঐহাক বাবা অজুধ্যাপ্রসাদকী লোনচৎ অদুদি চৎপা ঙল্লোই। থবক তৌরবদি নিয়ম চুন্না তৌগনি। গ্যান-মেন তাদনা থবক তৌবা অদু ঐদি পামদে।"

মহাক মপানগী থোঙলোমদা চৎপা হৌরকই, মতম অদুদা খঙহৌদনা ৱেদ্যজি ফমুংদগী হৌগৎলক্তুনা প্রলয় লাকপগুম্না হন্না-হন্না হোর্ন খোংবগুম্না হায়রকই, "অনেম্বা থাক্তা লৈবা! নঙ ঐগী ৱা তাদবা য়ারোই, তাউ ...।"

রুপ্পন বাবু অদুসু শান্নরিবা ৱারিশিং অদু ইঙক ঙক্লা তাদুনা লৈরম্মী। নুমীৎ খরনিগী মমাংদা মহাক্না ৱেদ্যজিগী ৱাঙাং-শঙাংগী মতুংইন্না বেলাগা বদ্রি শাফবগা লুহোংবিগদবা মাল্লুবনি। লোয়ননা করিগুম্বা লুহোংবা অসিদা অয়েৎপা লাক্লবসু গায়াদিনগী মায়কৈদগী লাক্লবসু য়ানবা অমদি পুরক্কনি হায়নসু খল্লুবনি।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।